# ওপোজিসন নমথনবা হোংনরকপদগী হোং কোংগী প্রো-দিমোক্রেসি লোমেকরশিংনা পাক্তক্লনা রিজাইন তৌরগনি



হোং কোং, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী) : হোং কোং এসেমব্লিগী ওপোজিসন মেম্বর মরি দিসমিস তৌখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা সিটি অসিগী প্রো-দিমোক্রেসি ওপোজিসন লোমেকরশিংনা মখোয় পাক্তক্লনা রিজাইন তৌরগনি হায়না যূমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

বৈজিংনা লোকল ওথোরিটিশিংদা নীংতম্বগী ঈহৌ শৌগৎপা ওপোজিসন কাঙবুশিং মখা তানা লাকশিন্নবা অনৌবা পাৱর কয়া পীখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

নুমিৎ অসিগী অঙনবদা চাইনিজ পার্লিয়ামেন্টনা সিটি অসিগী এগজিকুটিভপু হোং কোংনা নীংতম্না লৈবগী ৱাফম শৌগৎপা, ফোরেন ফোর্সশিংগা লৌতুনবা নৎত্রগা নেসনল সিক্যুরিটিদা অকিবা পোকহল্লিবা লেজিসলেটরশিংবু কোর্টকী মতেং য়াওদ্রবসু তান্থোকপা ঙমহনবা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌখি। মদুগী মতুং ইকুই কুইদনা লোকল গভর্ণমেন্টনা এসেমব্লি মেম্বর মরি দিসক্কালিফাই তৌরে হায়না লাউথোকখি। মখোয় মরিমক হোং কোংগী ওথোরিটিবু থম্মোয় শেংনা ইকায়খুম্নদে হায়বগী চিংনবা লৈবদগী মমাঙদা অমুক হন্না মীখল কন্টেষ্ট তৌবা য়াহনখিদ্রবনি হায়রি।

খোঙথাংশিং অসিনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু হোং কোংগী ওটোনোমিগী মতাংদা হেন্না নুংনাংহল্লগনি হায়না থাজনরি। বৃটেননা লোইলম লৈঙাক লোইশিন্দুনা হোং কোংবু কুমজা ১৯৯৭তা চাইনাদা অমুক শিন্নখিবা মতমদা বৈজিংগা য়ানখিবা 'ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টমস' ফোর্ম্যুলাগী মখাদা হোং কোংদা ওটোনোমি মতিক চানা পীগদবনি।

ঐখোয় হৌজিকসু 'ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টমস' মখা তানা চৎনরি হায়না মালেমদা হায়বগী মথৌ তাদে। ওইরক্লিবা খোঙথাং অসিনা ফোর্ম্যুলা অসি ওফিসল ওইনা শিরে হায়বা য়ারে হায়না দেমোক্রেটিক পার্টিগী চেয়রমেন ৱু চি-ৱাইনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি। ন্যুজ কনফরেন্স অদু ওপোজিসন লোমেকরশিংনা অমগা অমগা মখূৎ পায়নরগা হৌখি।

সিটি এসেমব্লিগী মোদরেট দেমোক্রেটশিং ওইবা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা হায়রিবদি, বৈজিংনা মচিন্দদি ওটোনোমি চাং ৱাংনা পীগনি হায়না ৱাশকশিন্নরগা সিটি অসিগী মীয়ামগী ফ্রীদমশিং মাঙহন্নবা অমদি গভর্ণমেন্ট ব্রাঞ্চশিংবু অমগা অমগা চেক তৌনহন্নবগী থৌরাং কয়া লৌখৎলকপগী মায়োক্তা মখোয়না খোঙফম চেৎনা লৈনবা হোৎনখি।

দিসক্কালিফাইদ তৌরবা মতুংসিদা লেজিসলেটর অমা ওইনা মখা তানা দিমোক্রেসি অমসুং ফ্রীদমগীদমক্তা থেংনবা ঙল্লরোইদবা ওইরবসু ঐহাক্না হোং কোংগী মীয়ামগা লোয়ননা সিটি অসিগী কোর ভেল্যুশিংগীদমক্তা থেংনগনি হায়না দিসক্কালিফাইদ তৌখ্রবা এসেমব্লি মেম্বরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ক্বোক-কা-কিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

সিটি গভর্ণমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা লেজিসলেটর মরি হায়বদি ক্বোক, অলভিন য়েউং, দেন্নিস ক্বোক অমসুং কেন্নেথ লিউংনা নেসনল সিক্যুরিটিবু খুদোংথীবা মায়োক্লহন্নবা শিনবগীদমক্তা এসেমব্লিদগী তান্থোক্লে হায়খি। দিসক্কালিফিকেসনগী খোঙথাং অদুগী মতুংদা হোং কোংদা লৈবা চাইনাগী রিপ্রজেন্টেটিভ ওফিসনা সিটি অসিগী ওথোরিটিদা থাজবা থম্বশিংনা লৈঙাক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# কাবুলদা সিক্যুরিটি পর্সনেল মরি হাৎখ্রে

কাবুল, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী) : হৌখিবা পুং ১২ অসিদা কাবুলদা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা এটেক অনীদা য়ামদ্রবদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওই ৪ শিরে হায়না যূমশকৈশা নুমিৎতা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

কাবুল পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুংইন্না, যূমশকৈশাগী অয়ূক্তা কাবুলদা মেগনেটিক আই ঈ দি অমা পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা পুলিস ফোর্সকী মীওই অনী শিখি অমসুং অমনা শোকখি। থৌদোক অদু লোকল মতমদা অয়ূক পুং ৬.৩০ তাবদা কাবুলগী লাব-ঈ-জর এরিয়াদা থোকখিবনি। এটেক অদুগী মতাংদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরবা লৈত্রি।

চৈরকসিদা, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা কাবুলগী কলা-ঈ-ৱাজির এরিয়াদা মশক খদবা গনমেনশিংনা চথখিবা এটেক অমদা অফঘান আর্মিগী মীওই ২ শিখ্রে হায়না কাবুল পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং মালেমগী মীচং ওইবা লৈবাকশিংনা লৈবাক অদুগী মতম শাংলক্লবা লান লোইশিনবা য়ানবা কন্না হোৎনদুনা লৈরিঙৈদা মীশি মীনাগী থৌদোক অসি থোক্লক্লিবনি।

# ম্যান্মারগী ওপোজিসন পার্টিনা মীখল অমুক হন্না পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে



য়াঙ্গোন, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী) : ম্যান্মারগী হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখল চৎনবা য়ারোই হায়না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা ওপোজিসন পার্টিনা যূমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা মিলিটরিগী মতেংগা লোয়ননা মীখল হন্নবা তকশিনখ্রে।

মীচং মীখাই নাইদনা অমসুং ফজবা মওংদা কেম্পেন তৌনগদবা মীখল অমা ওইহন্নবগীদমক্তা নোংমাইজিং নুমিৎকী মীখল অদু মিলিটরিগা তাথোক-তাশিন তৌনরগা য়ারিবমখৈ থুনা হনগদবনি হায়না মতিক ময়াই লৈরবা মিলিটরিনা শৌগৎলিবা যুনিয়ন সোলিদরিটি এন্দ দিভলপমেন্ট পার্টি (য়ু এস দি পি) না ফোঙদোকখি।

যূমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোরকপা হৌখিবা মীখলগী রিজল্টনা ওং সান সু চিগী রুল্লিং নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) পার্টিনা থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইনা মীখল চাউনা মায় পাক্লগনি হায়বসি উৎলকপদগী ওপোজিসন য়ু এস দি পিনা মীখল হন্নবা দিমান্দ তৌরকখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা লাউথোরকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি সিট অপূনবগী চাদা ৮০ হেন্না এন এল দিনা ফংখিবগা লোয়ননা সিট কয়াদসু পার্টি অসিনা লম্বাশিংদগী মাঙজিল থানা চংখি।

ওফিসল ওইদবা মশানা ফংগনি খঞ্জবা সিট মশীংদুদা যূম্ফম ওইরগা এন এল দিনা অমুক হন্না গভর্ণমেন্ট শেম্বা য়াগদবা মওংদা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌখ্রবনি।

হাওস অনী লৈবা পার্লিয়ামেন্টকী সিট ১৫৮গী রিজল্টশিং লাউথোরকপদা এন এল দিনা সিট ১৩০ ফংখি। অমরোমদা য়ু এস দি পিনা শুপ্পগী সিট ১৫ ফংখি। কুমজা ২০১৫দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী মীখলদসু এন এল দিনা মান্নবা সিট মশীং ফংখি। মমাঙগী মীখল অদু চহী ৫০ রোমগী মিলিটরি লৈঙাক লোইরবা মতুংদা পাঙথোকপা লৈবাক অসিগী অহানবা দেমোক্রেটিক মীখলনি।

মথংগী গভর্ণমেন্ট শুংশোই শোইদনা শেম্নবগীদমক্তা এন এল দিনা মথৌ তারিবসি সিট ৩২২নি। হন্দক্কী মীখল অসিদা ফত্তবা ক্বালিটিগী বেলোট ভোক্সশিং অমসুং এনভলপশিং শীজিন্নে, মাঙজৌননা ভোট থাদহনবদা প্রোব্লেম কয়া লৈখি অমসুং গভর্ণমেন্টনা ভোটরশিংদা শেল য়েনখি হায়না য়ু এস দি পিনা মরাল শীখি।

# কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মীশিংগা চান্ননা ফংহন্নবা দব্লিয়ু ঐচ ওনা আপিল তৌখ্রে




জিনিভা, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন ফজবা মওংদা মীশিংগা চান্নগদবা চাংদা লম-লম অমদি লৈবাকশিংদা ফংহন্নবা দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর জেনরেল টেদ্রোস অধানোম ঘেব্রেয়েসসনা আপিল তৌখ্রে।

দ্রগ শাবা কম্পনিশিং ওইরিবা ফাইজর অমসুং বাইওএনটেকনা মখোয়গী ভেক্সিন কেন্দিদেট অদু মরক্কী দেটা এনালিসিসতা লায়না অসি থিংবদা চাদা ৯০দগী হেন্না ইফেক্টিভ ওইরে হায়না চয়োল অসিদা লাউথোকখিবা মতুংদা দব্লিয়ু ঐচ ওগী চীফনা আপিল অসি তৌখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৭৩শুবা ৱর্ল্ড হেল্থ এসেমব্লিদা মেম্বর ষ্টেটশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা দব্লিয়ু ঐচ ওগী চীফ অসিনা হায়খি মদুদি ফাইজরগী মায় পাকপগী ইঙ্গিৎ পীবা পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইরবা পাউ অসি য়ু এন হেল্থ এজেন্সি অসিনা তরাম্না ওকই অমসুং টেষ্টিং অমদি থেরাপ্যুটিক্সতা হেন্না খুমাঙ চাওশিল্লকপগা লোয়ননা পংকুই কুইদবা মতমগী মনুংদা হেন্না ফবা অহেনবা ভেক্সিনশিং পুথোরকখিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনগী চাকথুং পীবদা ফজবা মতৌ উৎননবগী ফিরেপ নৌহৌননা লৌনবা ঐহাক্না মেম্বর ষ্টেটশিংদা আপিল তৌরি। ভেক্সিন ফংহনবগী থৌরাং অসিদা লৈবাক অমত্তা খৎথবগী থৌওং লৈহল্লোইদবনি হায়না ঘেব্রেয়েসসনা ফোঙদোকখি।

ফাইজর অমসুং বাইওএনটেকনা হৌজিক লৈরিবা প্রোজেক্সনশিংদা যূম্ফম ওইরগা মালেম পূম্বগী ওইনা চহী অসিদা ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ৫০ ফাওবা অমসুং কুমজা ২০২১দনা দোজ মিলিয়ন ১.৩ ফাওবা পুথোরকপা য়াই হায়না থাজনরি। ফাইজর অমসুং বাইওএনটেকনা পুথোক্লিবা অসিগুম্বা শীজিন্নবা য়ারগদবা ভেক্সিন অমবু য়েঙ্থোকপা নৎত্রগা চাইথোকপগী মতাংদা শিংনবা কয়া লৈবগী ৱাফম অসি দব্লিয়ু ঐচ ওনা অফ্রিকাগী রিজনেল দিরেক্টর মাটসিদিসো মোএটিনসু পুখৎলকখি।

মথৌ নিংথিনা তৌগদবা ভেক্সিন অমা থোক্লকপা য়াবগী নুংঙাইবা পাউ অসি কোল্ড চেইনশিংগা মরী লৈনবা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংনা মায়োক্লরকপা য়ারিবা খুদোংচাদবশিং শোয়দনমক্কী থোক্লক্কনি হায়না মোএটিনা ফোঙদোকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱর্ল্ড হেল্থ এসেমব্লি হৌদোকপগী ৱারোলদা দব্লিয়ু ঐচ ওগী চীফ অসিনা পেন্দমিক অসি লাকশিন্নবা ভেক্সিন অমা য়াম্না থুনা মথৌ তারে হায়খি।

# য়ু এসনা প্রেসর পীবা, অথিংবা থম্বা কয়ানা রেফ্যুজিশিং হল্লকপা ঙমদ্রে : বাসর অসাদ



অম্মান, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): সিরিয়াদা মুক্লবগী ফীভম লাকখিবদগী লৈবাক অসিদগী লাঞ্জেন্নখিবা রেফ্যুজি মিলিয়ন ৫ হেন্না লৈবাক অসিদা অমুক হল্লকপা ঙমদ্রিবসি য়ু এসনা শেল-থুমগী অথিংবা কয়া থম্বা অমসুং যুনাইটেদ নেসন্স অমদি সিরিয়াগী যূমথংনরিবশিংদা প্রেসর পীবদগীনি হায়না যূমশকৈশা নুমিৎতা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদনা ফোঙদোকখ্রে।

মোস্কোনা কো-হোষ্ট ওইরগা দামাসকসতা পাঙথোকপা কনফরেন্স অমা হৌদোক্লদুনা অসাদনা হায়খি, য়ু এসকী অথিংবশিংনা মরম ওইদুনা রেফ্যুজিশিংনা সিরিয়াদা হল্লকপদা খুরৌ কয়া থাংহল্লে। কনফরেন্স অদু ৱাশিংটন, যুরোপিয়ন যুনিয়ন অমসুং সিরিয়ন রেফ্যুজি মিলিয়ন ৫.৬কী অয়াম্বা চঙজফম পীরিবা লৈবাক অসিগী যূমথংনবা লৈবাকশিংনা বোইকোট তৌখি।

সিরিয়াগী অপূনবা মীশিং মিলিয়ন ১৭কী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ৫.৫দি লমদম অদুদা মরু ওইনা টর্কিদা রেফ্যুজি ওইনা লৈরি। অহেনবা সিরিয়ন মিলিয়ন ৮সু মখোয়গী মরৈবাক্তা ময়ূম মকৈ লৈতনা লেল্লি।

অসাদনা ফোঙদোকখিবদা, প্রেসর পীদুনা নৎত্রগা কিহন্দুনা রেফ্যুজি কয়া মখোয়বু চঙজফম পীরিবা লৈবাকশিং অদুদা নমদুনা লৈহল্লি। লৈবাকশিং অদুনসু মখোয়গীদমক্তা মালেম্না পীরকপা মতেং ফংবগা লোয়ননা মখোয়দা (রেফ্যুজিশিংদা) শেল পীবা ফাওবা তৌদুনা লৈনব থেমই।

লেবানন নত্তনা সিরিয়াগী যূমলোন্নরিবশিং অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা হায়রি মদুদি লৈরিবা ফীভমশিং অসি রেফ্যুজিশিংনা মশাগী অনীংবা-অপাম্বগী মতুংইন্না হঞ্জরকপদা খুদোংচাহন্দ্রে। মখোয় কয়া অমা চহী ১০ রোম শুরক্লবা লান্দা রসিয়নশিং অমসুং সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী টাউনশিংদা বোম থাদবদগী চেনখিবনি। ঈ যুগী পোলিসি চীফ জোসেপ বোরেলনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, হৌজিক্কী তৌফম থোকপদি রেফ্যুজিশিং অমসুং মরৈবাক্তা লৈনা-লৈনা ময়ূম মকৈ থাদোক্লরবশিংবু মশাগী অপাম্বা মতুংইন্না খুদোংথীবা নংলোইদবা মওংদা হল্লকপা য়ানবগী ফীভমশিং লাকহন্নবগী অশেংবা থবক পায়খৎপা অসিনা মরু ওইবা থবক ওইবনা কনফরেন্সতা য়াওনবা ইনভাইট তৌরকখিবদা বোদি অসিনা য়াখিদ্রে।

# মীখলদা নমথাক তৌখি হায়বা আর জে দিগী ৱাফম ইলেক্সন কম্মিসননা য়াখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): ইলেক্সন কম্মিসননা কনামত্তগী প্রেসরদা থবক তৌখিবা লৈতে হায়রদুনা গ্রান্দ এলাইএন্সকী কেন্দিদেটশিংদা মায় পাকপগী সর্টিফিকেটশিং পীখিদে হায়না আর জে দিনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম য়াখিদ্রে অমসুং অসিগুম্বা ৱাফমশিং যূম্ফম য়াওদে হায়বসি উৎখ্রে।

ভোট মশীং থিবা মপূং ফানা লোইরবা মতুংদা অমসুং রিটর্নিং ওফিসরশিংনা মায় পাকপগীদমক্তা হরাও তয়াম্বা উৎলকখিবা মতুংদা গ্রান্দ এলাইএন্সকী কেন্দিদেটশিংনা মায় পাক্লবা সিট ১১৯গী লিষ্ট অমা আর জে দিনা ত্বিটরগী খূথাংদা ফোঙখি। তৌইগুম্বসুং মায় পাক্লে হায়রিবা কেন্দিদেটশিংদু মায় পাকপগী সর্টিফিকেটশিং পীবদি ওইখিদে।

চমম্নবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা দেপ্যুটি ইলেক্সন কম্মিস্নর চন্দ্র ভুশননা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা, পোল বোদি অসিনা ত্বিট অদু খঙলকখি অমসুং রিজল্টশিং অমদি ওইরক্লিবা ফীভমশিং সিট সিটশিংগী ওইনা ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱেবসাইটতা ফংগনি হায়খি।

নুমিদাং পুং ১০ তাবা ফাওবদা সিট ১৪৬কী রিজল্টশিং লাউথোকখি। সিট ৯৭কী ত্রেন্দশিং ফংখি। মরম অদুনা মসিনা মীপূম খুদিংমক্তা উজবা য়াবা পব্লিক দোমেনদা লৈবা থাঙ্গৈশেংবা ফীভমদুনি।

আর জে দিনা ফোঙলিবা কেন্দিদেট ১১৯গী লিষ্টতুগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা সিনিয়র দেপ্যুটি ইলেক্সন কম্মিস্নর উমেশ সিনহানা হায়খি, ইলেক্সন কম্মিসনদা লৈরিবা ইনফোর্মেসন পূম্বা অচুম্বা ঙাক্তনি। দেটা খুদিংমক চ্যেক তৌবদা চুল্লে হায়বসি খঙলবা মতুংদা পোল বোদি অসিদা পীরকই। রিটর্নিং ওফিসরশিংনা মখোয়গী মথৌ মপূং ফানা পাঙথোকই অমসুং ওবজর্ভরশিংনা মীখলগী প্রোসেস য়েংশিল্লি। মখোয়না ইনফমথোকপা প্রোসিজর ইল্লবা মতুংদা ইনফোর্মেসন সবমিট তৌই। মখোয়দা লৈরিবা ইনফোর্মেসন অদুগা ওফিসল ইনফোর্মেসনগগী মরক্তা গেপ খরা লৈবা য়াই হায়না দেপ্যুটি ইলেক্সন কম্মিস্নরনা মখা তাখি।

এলাইএন্স অনীগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখ্রবা মতুংদা ভোট মশীং থিবগী থবক কন্না চত্থরিঙৈদুদা জে দি য়ুনা মশীং থিবদু তপথহন্নবা হোৎনরি হায়না আর জে দিনা মরাল শীখি। মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংদা মায় পাকপগী সর্টিফিকেটশিং পীদে হায়নসু মরাল শীখি।

# অশাবা চে-চাংশিং শীজিন্নরগা লম য়োল্লম্বা মীওই মঙা ফারে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): শেমজিন শাজিনবা দোক্যুমেন্টশিং শীজিন্নরগা দেহরাদুনদা লম য়োল্লম্বগীমক্তা দিল্লি পুলিসগী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা গেং অমগী মীওই মঙা ফারে।

মরাইবক থীরবা ভিক্টিম অদুদগী নমথাক তৌরগা লুপা ক্রোর ২ লৌথোক্লবা মতুংদা এক্যুজ মঙাদু মোবাইল ফোনশিং স্বিটচ ওফ তৌরগা লোৎখি হায়রি।

দিল্লিদা বেজ তৌবা দোক্টর অমনা মীয়াম পূনবগী থৌরম অমদা মশানা প্রোপর্টি দিলরনি হায়জবা ভিনোদ থাপা কৌবা মীওই অমা উনখি। মীওই অদুনা কমপ্লেনেন্ট অসিদা মহাক রিএল ইষ্টেট কম্পনি গ্রুপ অমগী থবক তৌই হায়খি।

অসুম্না উনখিবা অমদা থাপানা কমপ্লেনেন্ট অসিদা দেহরাদুনগী ফরবা মফম অমদা য়োনবদা য়াম্না কান্নগদবা মওংদা অহোঙবা মমলদা প্লোট অমা লৈরে হায়না খঙহনখি। মপু অদুনা লম অদু য়োন্নিংলে হায়দুনা এদভান্স পেমেন্ট খরদা লৈবা য়াগনি হায়না ওফর তৌরি হায়খি।

থাপানা অসুম্নসু হায়খি মদুদি, মমল মপূং ফানা পীগদবা ৱাৎলিঙৈগী মতমদা লম অদুবু লৈগদৌরিবা মীওইশিং মহাক্লা থিরগা খঙগনি হায়খি। অসুম্না, অহানবা পীবা শেনফম অদু নত্তনা মখা তাবা শেনফম অমত্তা কমপ্লেনেন্টনা পীগদবা লৈতে হায়না থাপানা খঙহনখি।

থাপানা মহাকসু মান্নবা শেনফম প্রোজেক্ট অদুদা ইনভেষ্ট তৌগে হায়নসু ওফর তৌখি। অহানবগী শেল পীবদা অয়োনবশিংগা এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্কনি হায়না মহাক্লা কমপ্লেনেন্ট অসিদা খঙহনখি।

থাপানা রাজন শর্ম্মা কৌবা নুপা অমা কমপ্লেনেন্ট অসিদা খঙহন্দুনা মীওই অসিবু মহাক্লা তোঙান তোঙানবা অচৌবা পোলিটিসিয়নশিং অমসুং বিজিনেসমেনশিংগীদমক্তা ব্রোকর অমা ওইনা থবক তৌরিবা রিএল ইষ্টেট কম্পনি অদুমক্তা থবক তৌবা মীশকনি হায়জিনখি।

কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা থাপানা হায়জবদগী কমপ্লেনেন্ট অসিনা দেহরাদুন্দা কয়ারক চংখি। দেহরাদুন্দা থাপানা কমপ্লেনেন্ট অসিবু শাশিন্নবা মীওইশিংগা উনহনখি অমসুং মহাক্লা অমুক্তদা সেল এগ্রীমেন্ট তরুক ইগজিক্যুট তৌখি। থৌওং অসিনা কমপ্লেনেন্ট অসিবু মান্নবা সেল এগ্রীমেন্ট তরুক্তা খূৎয়েক পীহনবগা লোয়ননা মথক্কী লমগী দিলশিং অসিগা মরী লৈননা এক্যুজশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা লুপা ক্রোর অনীরোম ত্রান্সফর তৌখি।

শেনফম অদু ফংলবা মতুংদা এক্যুজশিং অদু মোবাইল স্বিটচ ওফ তৌরগা লোৎখি। তুংদা কমপ্লেনেন্ট অসিনা মঙোন্দা উৎলিবা প্রোপর্টিগী চে চাংশিং অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়বসি খঙলকখিবগা লোয়ননা লম দুসু তশেংনা লৈতবা নৎত্রগা মমিং পানবগী মতাংদা য়েংনবা লৈবা লম ওইরম্বা য়াই হায়বসি খঙলকখি। অদুবু এক্যুজ মঙামক ফারে হায়না দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চকী দি সী পি রাকেশ পাৱেরিয়ানা ফোঙদোকখি।

# বি এস এফনা বাংলাদেশকী ক্রুপর অনী ফারে

ধাকা, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): বোর্দর লাল্লগা ইন্দিয়ন সিটিজন অমা ফানবা হোৎনখিবা বাংলাদেশকী রেপিদ এক্সন বটৃশলিয়ন (আর এ বি) গী মেম্বর অনী বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) না বোর্দরদা ফাখ্রে।

আর এ বিগী মীওই অনী অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লৈবা ম্যেন পিল্লর ৩০৭, সব পিল্লর -১দগী ফাখিবনি। আর এ বিগী ক্রুপর অনীদু ফারবা মতুংদা বোর্দর গার্দ ওফ বাংলাদেশ (বি জি বি) না বি এস এফতা লেট্টর অমা থারক্তুনা ফ্লেগ মীটিং পাঙথোক্লবা হায়জরক্লে হায়রি।

বি এস এফনা বোর্দরদগী ফারবশিং অদুদি আর এ বি - ১৩ দিনাজপুর সী পি সী -১গী কো-কম্মান্দর (এ এস পি) শ্যামাল চাং অমসুং কন্সটেবল অবু বাকর সিদিক কৌই। বি এস এফনা মখোয়বু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা দিটেন তৌখি। খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না আর এ বিগী মেম্বর মঙা মোটোর সাইকল তোংলগা দিনাজপুরগী বি - অমতালি সরস্বাতিপুর বোর্দরগী মনুং চনবা সমাজিয়া মন্দলপারাদা চঙলকখি।

গ্রুপ অনী থোক্লগা লাকখিবা আর এ বিগী কাঙবুশিং অদুনা ইন্দিয়াগী বোর্দরদা লৈবা ভিলেজ অদুদা চঙলকখি অমসুং মিলোন অপোকপা ইস্রাফিল কৌবা ইন্দিয়ন সিটিজন অমা ফাখি। মিলোননা লাউবা হৌখি অমসুং মহাক্লা লাউবদগী চঙশিল্লকখিবা মুশারাফনা আর এ বিগী ক্রুপরশিংদুদা এটেক তৌখি। মতমদুদা আর এ বিগী ওফিসলশিংনা নোংমৈ কাপ্পসু হৌখি। নোংমৈ কাপ্পা হৌবদগী আর এ বিগী অতোপ্পা নাকলদা লৈরিবা মীওই অনীসু চঙশিল্লকখি।

মতমদুদা বি এস এফকী পর্সনেলশিং লাকখি অমসুং মখোয়না আর এ বিগী মীওই অনীদু খুঞ্জাশিংগী মতেংগা লোয়ননা ফাখি অমসুং মখোয়বু সমজিয়া কেম্পতা পুখি।

চিরিরবন্দর উপাজিলাগী পুর্ন্টি য়ু পি নম্বর ১০গী মেম্বর অবদুল ৱাহাবনা ফোঙদোরকখিবদা, আর এ বিগী মীওইশিং অদু মফম অদুদা এন্টি-দ্রগ কেম্পেনরশিং ওইনা চঙখিবনি। ইন্দিয়াদগী সরস্বাটিপুরদগী দ্রগ লল্লোনবা মিলোন হেন্দকফ চনখি অমসুং লাউ খোংখি। অতৈ আর এ বিগী মেম্বরশিংনা মখোয়দা নোংমৈ কাপ্পা হৌখি।

বি - অমতালি কেম্পতা মীদিয়াগী মীওইশিংবু বি জি বিগী ওফিসলশিংগা ৱারী শানবগী অয়াবা পীদবনা বোর্দর গার্দ ওফ বাংলাদেশকী পর্সনেলশিংনা মফম অদুদা জর্নেলিষ্টশিং চঙহনখিদে।

# কোভিদ পোজিটিভ ওইবা অমসুং ক্বারন্টিন্দা লৈবশিং ভোট থাদহন্নবগী ওর্দিনান্স চৎনহল্লগনি

টিরুভানন্থাপুরম, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): লাক্লিবা লোকল বোদিগী মীখলদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবশিং অমসুং ক্বারন্টিন্দা লৈবশিংসু ভোট থাদবা য়াহনগদবা মওংদা কেরলা পঞ্চায়টি রাজ এক্টতা অহোংবা লাকহনগদবা ওর্দিনান্স অমা চৎনহনবদা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজায়ননা লুচিংবা কেরলা কেবিনেটনা যূমশকৈশা নুমিৎতা অয়াবা পীখ্রে।

ষ্টেট অসিগী লোকল বোদি ইলেক্সন তাঙ্কক অহুম থোক্না দিসেম্বর ৮, ১০ অমসুং ১৪দা পাঙথোক্কনি। মীখল অসিদা অসিগুম্বা মীওই খুদিংমক ভোট থাদবা নুমিৎকী অরোইবা পুংফম হায়বদি নুংথিল পুং ৫দগী ৬ ফাওবা ভোট থাদহনগনি।

কোভিদ পোজিটিভ ওইবা অমসুং ক্বারন্টিন্দা লৈরিবা মীওইশিং পোষ্টেল বেলোটশিংগী খূত্থাংদা ভোট থাদবা য়াহনগনি। তৌইগুম্বসুং মসিগীদমক মখোয়না মীখল নুমিৎকী নুমিৎ হুমনি মাঙওইননা এপ্লাই তৌগদবনি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদকী এক্টিভ কেস ৭৮,৬৯৪ লৈ। গ্রাম পঞ্চায়ট ৯৪১, ব্লোক পঞ্চায়ট ১৫২, দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট ১৪, ম্যুনিসিপালিটি ৮৬ অমসুং কোর্পোরেসন তরুক য়াওনা ষ্টেট অসিগী লোকল বোদি ১,১৯৯গী মীখল পাঙথোক্কনি। লৈরিবা অপূনবা ভোটর মশীংনা ২,৭১,২০,৮২৩নি। মখোয়গী মনুংদা নুপা মশীংনা ১,২৯,২৫,৭৬৬নি। নুপীনা ১,৪১,৯৪,৮২৫নি অমসুং ত্রান্সজেন্দর মশীংনা ২৩২নি।

# বিহারগী এসেমব্লি মীখলদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংগী চাদা ৮১ ক্রোরপতিশিংনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): বিহারগী এসেমব্লি মীখলদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেট ২৪১গী এফিদেভিটশিং কূপ্না এনালিসিস তৌবদা মখোয়গী মনুংদা ১৯৪ (চাদা ৮১) দি লন-থুম ক্রোরনা খুজিং ওইরগা লৈ হায়বসি উৎলি।

ক্রোরপতি মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না মাঙজিল থারি। সিঙ্গল-লার্জেষ্ট পার্টিসু ওইরিবা তেজাসৱি য়াদবনা লুচিংবা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) না মীখলদা মায় পাক্লবা ক্রোরপতি মশীং য়াম্না পুথোকপদা অনীশুবা পার্টিনি। হীরম অসিদা চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা লুচিংবা জনতা দল - যুনাইটেদ (জে দি য়ু) না অহুমশুবদা লৈ।

চহী অসিগী মীখল অসিদা কেন্দিদেট ওইনা থোক্লক্লিবা ক্রোরপতিশিংগী মমাঙগী মশীং হায়বদি কুমজা ২০১৫গী বিহার এসেমব্লি মীখলদা থোক্লকখিবা মশীংদগী হেনখি। মমাঙগী মীখল অদুদদি মায় পাক্লবা এম এল এ ১৬২ (চাদা ৬৭) না মখোয়গী এফিদেভিটশিংদা মখোয়গী লন-থুমশিং ক্রোরনা খুজিং ওইরগা লৈ হায়বা উৎখি।

মসি বিহার ইলেক্সন ৱাটচ এন্দ এসোসিএসন ফোর দেমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর) না মীখলদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেট ২৪৩গী মনুংদগী কেন্দিদেট ২৪১গী এফিদেভিটশিং এনালিসিস তৌরবা মতুংদা খঙলকখিবনি।

ষ্টেট অসিগী তাঙ্কক অহুম থোক্না পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্ট পুং ২০ হেন্না বেলোট মশীং থিরবা মতুং যূমশকৈশাগী অয়ূক অঙনবদা লাউথোকখি। মায় পাক্লবা কেন্দিদেট অনীগী অকূপ্পশিংদি এ দি আরগী রিপোর্ট অদুদা পনখিদে।

বি জে পিগী মায় পাক্লবা কেন্দিদেট ৭৩গী মনুংদা পূন্না কেন্দিদেট ৬৫ (চাদা ৮৯) দা মখোয়গী লন-থুম লুপা ক্রোর অমদগী হেল্লি হায়না লাউথোকখি। বি জে পিগী মতুংদা আর জে দিগী কেন্দিদেট ৭৪গী মনুংদগী ৬৪ (চাদা ৮৭), জে দি (য়ু) গী কেন্দিদেট ৪৩গী মনুংদগী ৩৮ (চাদা ৮৮) অমসুং কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ১৯গী মনুংদা ১৪ (চাদা ৭৪) না মখোয়গী লন-থুমগী ভেল্যু লুপা ক্রোর অমদগী হেল্লি হায়না লাউথোকখি। মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংগী চাংচৎকী ওইবা লন-থুমগী চাং অসি ক্রোর ৪.৩২নি হায়রি।

# মহারাজা বির বিক্রম এয়রপোর্টতা অচৌবা টর্মিনেল লৈরগনি

অগরটালা, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী) : ত্রিপুরাগী কেপিটেল অগরটালাদা লৈরিবা মহারাজ বির বিক্রম এয়রপোর্টতা য়াম্না থুনা কুমজা ২০২১গী অঙনবা ফাওবগী মনুংদা অনৌবা টর্মিনেল লৈরগনি হায়না এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) না ক্লেম তৌখ্রে।

এ এ আইগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, প্রোজেক্ট অদুগী থবক চাদা ৯০ লোইশিল্লে অমসুং ৱাৎলিবা থবকশিং অদুসু লোইশিনবদা থা খরদগী হেন্না চঙলোই। মহারাজ বির বিক্রম এয়রপোর্টকী অরিবা টর্মিনেলদা শেমদোক শেমজিন মখা তানা তৌবা য়াবগী ফীভম লৈতবদগী অনৌবা টর্মিনেল শাবগী থবক পায়খৎখিবনি।

এয়রপোর্ট অদুগী অচৌবা ইন্টিগ্রেটেদ টর্মিনল বিল্ডিং অসি পেসেঞ্জর মশীং য়াম্না হেন্দল তৌবা ঙমগনি অমসুং মতমগা চুনরবা খুদোংচাবা কয়া ফংহনগনি। এ এ আইগী ওফিসলশিংগী মতুংইন্না, এয়রপোর্ট অদুগী অনৌবা টর্মিনেলদা ইনর্জি শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা অমসুং কাঙলোন চুম্না শীজিননবা এদভান্স ইন্টলিজেন্ট বিল্ডিং মেনেজমেন্ট সিষ্টমশিং শীজিন্নরি। স্কৱার মিটর ৩০,০০০ পাক চাউবা লমদা শারিবা অনৌবা টর্মিনেল বিল্ডিং অদু খ্বাইদগী মথৌ চিল্লকপা মতমদা দোমেষ্টিক পেসেঞ্জর ১০০০ অমসুং ইন্টরনেসনল পেসেঞ্জর ২০০ হেন্দল তৌনবা মওংদা দিজাইন তৌবনি।

অনৌবা টর্মিনেল বিল্ডিং অদু লুপা ক্রোর ৪৩৮ চঙনা শারিবনি। টর্মিনেল অদুদা চেক-ইন কাউন্টর ২০, পেসেঞ্জর কাখৎনবগী ব্রিদজ মরি, কনভেয়র বেল্ট অমদি পেসেঞ্জরশিংনা নুংঙাইগদবা মতমগা চানরবা খুদোংচাবশিং ফংহনগনি হায়রি।